ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯖꯨꯟ ꯱꯰, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯵ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯷꯵ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
শগোলশেল, জুন ১০, ২০২১, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ৭৫শুবা মশীং

# হায় কোর্টকী দিরেক্সন

## উকাই তকথরকপা নত্তে, তৌফম থোকপনি

হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী চীফ জষ্টিসনা লুচিংবা দিভিজন বেঞ্চ অমনা জুন ৮, ২০২১দা ফজরবা দিরেক্সন ময়াম পীখ্রে। দিরেক্সনশিং অদুগী মনুংদা মণিপুরগী লৈরিবা গভর্ণমেন্টকী য়াওনা প্রাইভেট হেল্থ ক্যের ফেসিলিটি (হোস্পিটাল)শিংদা ওক্সিজেন সিলিন্দরশিং সপ্লায় তৌবগী য়াওনা মসিগী মথক্তা হোস্পিটাল অমমমগী ওইনা লায়েংশঙ পুন্নমক্তা লৈরিবা ফমুং মশীং, ইন্টেন্সিভ ক্যের য়ুনিট (আই সী য়ু)গী ফমুংশিং, হৌজিক হোস্পিটালশিং অসিদা এদমিট তৌদুনা লৈরিবা পেসেন্টশিংগী মশীং অমসুং চঙগদবা, মথৌ তাবা ওক্সিজেন সিলিন্দরনচিংবগী দেটাশিং টেব্যুলেটেদ ওইবা মওংদা শেমগদবনি। অদুগা মসিগী দেটাশিং অসি মতম-মতমগী মতুংইন্না হায়বদি নুমীৎ হুম্নী/হুম্নী খূদিংগী ওইনা অপদেট তৌগদবনি। অদুগা হায়রিবা দেটাশিং অসি মীদিয়াগী খুত্থাংদা মীপুম তিংনা খঙহনগদবনি হায়বসিনি। হায় কোর্টকী দিরেক্সনশিং অসি কোর্ট অসিদা নরেশ মাইমোম কৌবা পিটিস্নর অমনা ফাইল তৌরকখিবা পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন (পি আই এল) অমা লৌখৎতুনা খন্নরগা পীরকপনি। পিটিস্নরগী পি আই এল অসিগী নম্বরনা ২৬ ওফ ২০২১ নি। পি আই এল অসি গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যেরগী মখাদা লৈরিবা দিপার্টমেন্ট অসিগী সেক্রেটরি, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী মায়কৈদগীনা চীফ সেক্রেটরি, হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যেরগী মকোক থোংবা ওফিসল, দিরেক্টর অমদি রিজনল ইনষ্টিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস), জৱাহরলাল নেহরু ইনষ্টিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (জেনিমস)কী দিরেক্টরশিং অমদি মণিপুর ষ্টেট পৱার দিষ্ট্রিব্যুসন কম্পেনি লিমিটেদ (এম এস পি দি সী এল)গী মেনেজিং দিরেক্টরবু রেস্পোন্দেন্টশিং ওইনা কোনশিল্লগা মখোয়গী মথক্তা ফাইল তৌরকখিবনি। অদুগা পিটিস্নরগী মায়কৈদগী কোর্টতা তৌরকখিবা প্রেয়রশিংনা ষ্টেটসিগী অনা-লায়েংশঙশিংদা ওক্সিজেনগী অৱাৎপা লৈহনগনু, মরাং কায়না থম্মু। ওক্সিজেন প্লান্টশিং খরা হেন্না লিংখৎলু অমসুং অসিগুম্বা ওক্সিজেন প্লান্টশিংদা শরক শিহন্দনা মৈ পীহনবীয়ু হায়বসিনি। পি আই এল অসি কোর্টনা লৌখৎতুনা জুন ৮, ২০২১ ফাউবদা থেঞ্জাং মরিরক্তা লৌখৎতুনা খন্নখ্রে। কোর্টকী মায়কৈদগী মরী লৈনবা ইন্দিয়া অমসুং মণিপুর গভর্ণমেন্টতগী রিপ্লায় এফিদেবিটশিং কৌদুনা লৌখৎখ্রে। রিপ্লায় এফিদেবিটশিং অদুনা ফোঙদোক্লরকখিবা ৱাফমশিংগী মতুংইন্না পীবা য়াবা ইন্সত্রক্সনশিং পীখ্রে। অদুগা মথৌ তাবা এদিসনল এফিদেবিটশিং ফাউবা পীখৎলক্নবা দিরেক্সন পীখ্রে। হায় কোর্টতা ৱাকৎলক্লিবা অসিসু হৌজিক কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্কী মায়োক্নরিবা সেকেন্দ ৱেভকী ফীভম অসিদগী তৌদবা য়ারক্তদুনা তৌরক্লিবনি। অদুগা কোর্টনা লৌখৎতুনা খন্নরক্লিবা অসিসু মরমশিং অসিদগীনি। পীবা য়াবা ইন্সত্রক্সনশিং অসিসু গভর্ণমেন্টকী ওফিসল রেস্পোন্দেন্টশিং অসিগী মহুৎ শীন্দুনা লেপ্লিবা এসিস্টেন্ট সোলিসিটর জেনরেল (এ এস জি) অমসুং এদিসনল এদভোকেট জেনরেল (এ এ জি)নচিংবদা পীরক্লিবনি। য়াম্না ফৈ, অৱাংবা থাক্তা লৈরবা ৱায়েলশঙ অমগী তৌফম থোকপশিং চপ চানা পাঙথোরকপনি।

হায় কোর্টকী ইন্সত্রক্সনশিং অসিদা টেব্যুলেটেদ ফোর্মদা জেনরেল পব্লিকতা খঙহনগদবা দেটাশিং অসি পাউচেশিংদা হাপ্তুনা ফোঙদোকপদদি ফাইনান্সিএল কন্সট্রেন্ট লৈবদগী ৱেবসাইট খক্তদা অপলোদ তৌই হায়রকপা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী মরী লৈনবা রেস্পোন্দেন্টশিংদগী ফোঙদোরকখিবা ৱাফমসু রেকোর্দ তৌখি। অদুবু পাউচেশিংদা দেটাশিং অসি শোয়দনা হাপ্তুনা ফোংহন্নবা হোৎনগদবনি হায়খিবনি। কোর্টনা পীরক্লিবা দিরেক্সনশিংসি অফবা ঙাক্তনি। অচুম্বা লম্বেলদা খোঙ থাংলকপনি। ইন্সত্রক্সনশিংসি উকাই তকথরকপনি হায়দুনা লৌরোইদবনি। য়ারিবমখৈ থবক্তা ওন্থোক্লবা হোৎনগদবনি। অসুক লুরবা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্কী সেকেন্দ ৱেভ মায়োক্লনবা অউপ্পা উনা ফাউবা লোংথোক্লগা পান্বে থিরিবা, চোকথবা লৈতনা অয়ুক-নুংথিল, নুমীদাং খাক্তনা লৌখৎফম থোকপা থবকশিংগা লোয়ননা লৈঙাকসিগী অপাম্বসু ত্রান্সপরেন্সি অমসুং একাউন্টেবিলিটি লৈহনবনি। লৈবাক মীয়ামগীদমক লৈঙাক্লা অসি ফাউবদি হোৎনরিনা হায়দুদি মীপুম তিংনসু খঙহনফম থোকই। পুন্নমকসি হায়রুরগা মীয়ামদগী এপ্রিসিএসন ফংগনি হায়বগী ৱা নত্তে। হুমাং তাবমখৈ তুম্বা-চাবা খঙদনা হোৎনজরক্লিবা থবক থৌরমশিংদু লৈবাক মীয়ামদসু শিৎ-নান্না খঙহল্লু হায়বনি। অদুবু মতাংসিদা পি আই এল অসিগী ষ্টেট রেস্পোন্দেন্টশিংগী মায়কৈদগী ফাইনান্সিএল কন্সট্রেন্ট লৈবদগী পাউচেশিংদা ফোঙদোকপা ঙমদবনি হায়বদুদি চুল্লোই। ষ্টেট হেল্থ দিপার্টমেন্টতগী হায়রিবা দেটাশিংদু ফোংননবা পাউচেশিংদা পীরকখিবা লৈখিদ্রি। পাউচেশিংদা পীরক্লগা মদুগী অহাপমল পীদ্রে হায়দুনা ফোংদবসু য়াওদ্রি। হৌজিক ফাউবদা পীরক্ত্রি। পীরক্লবদি মীদিয়া হাউসশিংনসু মায়োক্নরিবা ফীভমসিদগী মীয়ামগী য়েংলগা শোয়দনা হাপকনি। মণিপুর গভর্ণমেন্টকী কোভিদ-১৯ কন্ট্রোল রুমগী মায়কৈদগী নুমীৎ খূদিংগী নুংথিলদা থোরক্লিবা চেরোলশিং মরুওইবা পাউ অমা ওইনা পাউচেশিংদা লেপ্তুনা ফোংনরক্লিবনি। কোভিদ-১৯গা মরী লৈনবা পাউদা পাউচেশিংনা ফোংখিদবা য়াওদ্রি। মখা তানসু ফোংখিগনি। মরমদি, নুংতিগী পোজিটিভ কেস কয়া থেংনখ্রে, মীওই কয়া দিসচার্জ তৌখ্রে, এক্টিভ কেস মশীংনা কয়া শুরে অমসুং লায়নাসিনা মরম ওইদুনা মীওই কয়া লৈখিদ্রে হায়বসি মীয়াম্না নুংতিগী খৌরাংনা ঙাইনরিবা পাউশিংগী মরক্তা মরুওইবা পাউ অমা ওইরিবনি। হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের লোয়শঙদগী হায় কোর্টকী দিরেক্সন অসিগী মতুংইন্না পাউচেশিংদা পীরক্লবা হোৎনবীয়ু। লৈবাক মীয়ামগী ইন্টরেষ্টতা শোয়দনা ফোংনরক্কনি খল্লি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১৯

১) ‘‘খোঙকাপ চৎফম উদবনা শমুখোঙকাপ থাংবদি লফুৎ ফমজিংলাংনা মিথুনৈএ।’’ ৱাহৈ পরেং অসি কদাইদগী লৌথোরকপনো?
২) ‘‘মৈতৈ দ্রামাটিক য়ুনিয়ন’’ (খৃ: ১৯৩০) হায়বসি মতুংদা করি হায়না খঙনখিবগে?
৩) ফুঙ্গা ৱারীগী লাইরিক ‘‘ইবেনবোক্কী ৱারী’’ (১৯৫৯) হায়বসি কনানা ইবনো?
৪) ‘‘ঐগী রাধে রাধে/ইমানা হায়বদি ইল্লু রাধে/নশা ৱানবনি নোম্মুনু/নখূৎ মোৎনবনি শূরুনু/ঐনা হায়বা তাও রাধে/ইমানা হায়বদি ইল্লু রাধে/নপাঙ্গল কেম্নবদি শূরুনু রাধে।’’ মণিপুরগী শক্লাইরবা কবি অমগী শৈরেংনি। কবিদু কনানো? করি শৈরেং (মমিং) নো?
৫) জর্মনগী ফাওরবা অইবা হেরমন হেস: গী ‘‘সিদ্ধার্থ’’ হায়বা লাইরিক্তু মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুন ১৫, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# নীংশিংবগী থোঙনাওদা - ৩২

## (শুমাং লীলা অমদি ঐ)

চাইথোরকপা ৱাখল

**নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

মতম অমগী ৱানিকো, লৈকায় অমদা লীলা অমা তৌদৌরে হায়রবদি, লৈকায়দুদা লৈরিবা অহল-লমন, নুপী অঙাং পূন্নমকশিং অসি মথুম মরাং হৌনৈ। য়ূমথোঙ খুদিং, ইমুং খুদিংগী, লৌবুক্তা, ফিশাফমদা, ফুঙ্গা খুদিংদা ৱারী শানবা হৌনরে। লীলাগী নুমিৎতু য়াম্না খৌরাংনা ঙাইনৈ। লৈশাবী মচাশিংনা পুখ্রি মপান্দা চেঙহি লুজ-লুজনা লীলাগী ৱারী শানৈ। তৌগদৌরিবা লীলা পার্টি অদুনা মমাঙদা শান্নবা লীলাগী ৱারী অমুক নীংশিংনদুনা মপূক্লিং নৌথোক্নহল্লিবনি। ফৌ শুফমদা লীলাগী ৱারী শান্নবা ফৌ শুবদা ফৌ খোমজিল্লিবা মখোঙ খোঙবীদু শুক্লা শুগাইবা য়াওনরিবনি। য়াওশঙগী থাবল চোঙবগী মহাউনা তোঙানবনি, শুমাং লীলা অমগী মহাউসিদি অঙকপা অমনি। অহল ওইর-ওইরবশিংনা মাঙ্গোলদা ফম্না ফম্না হংলিবনি, ‘নোইগী লীলা তৌদৌরি হায়দুবু কৈদৌঙৈনোনে?’’ ৱাহংদুগী পাউখুম মচিন য়াঙবা নহাশিংনা খুম্মী, ‘‘ইপুবোক অহল অদুক ওইরগা করিগী লীলানো, য়ূম শংদুনা লৈগেদি হায়দ্রগা, হনুথংদা ঈরাং য়াম তৌরেদা’’। মশুগী ৱাদু তাবদা মপুবোক্তু মথ্বায় য়াম্না নুংঙাইতে, ‘অহলদি লীলা য়েংবা য়াদবরা’’ হায়না মপূক্লিংদা খনবা মাল্লি। অদুবু ৱাদি অমত্তা ঙাঙদনা মমিৎনা মশুশিংদা নীংঙমদনা য়েংজরিবনি। শুমাং লীলাগী মতিক ময়াইসিদি অঙকপনি। মসি মপুবোক্কী ৱা ঙাক নত্তে, মবেনবোক্কীসু য়াওরিবনি। শুমাং লীলা য়েংনীংবদি চহী য়ামশিল্লকপনা থিংবা ঙমদে।

নোংমা অমা থেংনৈ। লীলা তৌগদৌরিবা শুমাং অমদা ঐখোয়না লাকপদা হান্ননা ফিজাও অমা ইল্লদুনা অহল অমা লীলা য়েংনবা মমাঙদা ফক থাদুনা ফম্লগা লৈরম্মী। ঙাইহাক্কী মতুংদা মশুং-মমান্নবা অহল অমা-অনীসু লাক্তুনা মনাক্তা ফম্লরি। লীলা য়েংদৌরিনি হায়বগী ৱাখলদা নুংঙাইনা ফমদুনা ৱারী শানরি। ঐখোয় মেক-অপ হৌরে। ঐখোয় মশেল ঙাঙনৈ, ‘‘ঙসিদি অহলশিংনা মমাঙদা ফম্মী, চেকশিন্না শান্নদবা য়ারোইকো’’। লীলা হৌরমদাইদুদা পুংকক চাউরবা নুপামচা অমা লাক্তুনা ইঙন ঙন্না ফম্লম্বা অহল অদুগী মখূৎ পায়দুনা চিংখৎলি, ‘‘পুপু লাও হৌগৎলো, য়ূমদা তারোলাও, মাইকতো ঐখোয়রোমদা ওনশিল্লিবনি, লোইনা তানি। য়ূম শঙবীনবা লৈতে, য়ূম শঙলো লাও, ইমাহোয়সু শাওনবনা লোইহৌরে’’। অহলদু মশুনা চিংবদুদা ৱানা হৌগৎলগা য়াম্না নীংঙমদনা ময়ূম শঙবা চৎখিবদু ঐগী ইমিৎসিনা উহৌই। কয়াদা চাকখ্রবনো? য়াম্না নুংঙাইতে। লীলা শান্নরিঙৈদসু খল্লি, ‘‘ঐনা ঙাঙলিবা পূন্নমকশিংসে, ঙসাইগী অহলদু শোয়দনা তাবা ওইসনুকো’’ হায়না। লীলা হৌরে তাবদা ময়ূমদা চাক থোংদুনা লৈরিবা মৌ কনানা এঞ্জাং থুম থাক্তুনা লৈথোক্তে, মখূত্তা মোরা, চৌক্রি পায়দুনা চেন্নরকপা ঙাক্তনি। য়াম্না নুংঙাইরিবদি, লীলা য়েংনীংবগী মীহুন্না কন্না চোঙখিবনা, হৌখ্রবা লীলাদু মঙক থাঙ্গৎ থাঙ্গৎতুনা মনিংদগী য়েংবদা মনাওনুপাগা, মতৈগা থংননা লেপমিন্নরম্বদগী মনাওনুপীদুনা খঙলকপদদি ‘হো ইমা’ হায়না লাউরগা চেন্থোক্নরক্লিবনি। লীলা য়েংলিঙৈ মতমদা কনানা কনানো হায়বা থিনরুদে, মানা য়েংনীংলিবদু য়েংলগা লোইরে হায়না খন্নে। কনখ্রবা লীলাগী ময়াইনি।

য়াম্না ঙকপা অমনা, মমানা পোকপদগী পোৎ য়োল্লক্তবা কাঙবুসু লৈকায়দা লীলা তৌদৌরি হায়রদি পোৎ য়োনবা থোক্নরকপা য়াম্না য়াওই। অচাপোৎ মীঠাই, কবোক, হৈঙান, লালু, চ্যুঙ্গম খরা, চুরুট-বিড়ি-মৈখেৎ খরা, শিংজু, বোরা, কাঙহৌ, ইশু শুখৈ য়োল্লি। পোৎফমদু ইমুংগী মীশিংনা পুংয়োম য়োম্মী। লৈশাবী মচা, অঙাং, অহল লোইনা য়াওই। পূন্না য়োল্লি। খরা লৈরগদি নুপামচাশিং য়াওনা পোৎ য়োনবা থোরকপা উই। মখোয়সিনা তোঙানবনি। চেক অহুম পুথোক্লগা লৈরং শেমগনি, চাক, বোরা, কাংহৌ, পাপর অতৈ মখল কয়াগী অঙৌবা-অতাওবা য়াওনা য়োল্লি। মদুসু মীনা পূময়োম য়োমখৈ লৈনৈ। ফোং ফোং শাবদু চানীংবদগী কাংহৌ ঙৌবগা লোইবগা, বোরা থাদবদু মুনবা ঙাইবা ঙম্বা নত্তে। য়াম্না শিৎখ্রজাৎনি। লীলাবু তৌদৌরে হায়রদি পোৎফমসি অসুক্কী মতিক য়াম্না ফম্মী। য়োল্লিবা খুদিংমক খরা খরা অদুম লোইনা শিৎনৈ। শেন্দোং য়াম্না ফংনৈ। য়াম্না নোক্লিংবা ৱারী অমা নীংশিংলকই। হনুবী মমিৎকা কয়া উদ্রবা অমনা পোৎফম মচা অমা ফম্মী। ঐখোয়গী লীলা চৎমিন্নরিবা দ্রাইভরদুনা মানা থকপা চুরুট ব্রান্দ অমা ঐগা থিমিন্নৈ। হনুবীদুদা য়াওরম্মে। উপু অমা লৈগে হায়না হায়রুবদা, উপু ফাদ্রে মচৈ অনী ৱাৎলে হায়রকই। অদু লোইনা লৈজরগে হায়রুবদা, হনুবীদুনা খুল্লকপদুনি, ঐনা য়াম্না ঙক্লা নোক্লিংঙিসে। ‘‘ইহ! য়ারোই, লৌগে হায়রগা মচৈ অনী অহুমগুম্বদগী হেন্না লৌবা য়ারোই, ইবুংঙোনা লোইনা লৈবীখ্রদি ঐদি করি য়োলহৌদৌরি?’’ য়োনবগী য়োনবা পুল্লপ য়োনবা য়াবদু অহলদুনা পোৎ য়োনবগী নুংঙাইজবদুগীদমক চুরুটতু উপু ফানা লৈগে য়াখিদে।

শুমাং লীলাগী মতিক ময়াইসিদি লমদম অসিখক্তগী ৱা নত্তে। মপান লমদা, হায়বদি মৈতৈ তাবা থংনবা য়ূমথংনবদসু অদু মঙাই। মসিগী ঈহৌ অমা য়াম্না কন্না লৈ। তৌবতবু কছার লীলা হায়দুনা মমাঙঙৈদগী হৌনা শ্বাইদগী য়াম্না চৎনবা লৈ। লীলাদি অদুক য়াম্না কন্না পাংদবা, মৈতৈগী শুমাং লীলা তৌদৌরি হায়না অদুম য়েংবদি য়েংনবা, অদুগা অদুক য়াম্না চাউনা কন্না শেম শাদুনা তৌবদি নত্তবা লীলা মওং অমসু লৈখি। মসি ঐখোয়না কছারদা চৎপদা ৱারী মখল মথেল কয়া য়াম্না তারকই। লীলা শান্নবা লাকপসি থা অমা খরা হেন্না লৈবগা য়াওই হায়। মীনা কৌবা কৌদবা, মখোয়না লৈকায়গী মী অমা অনীগা মান্নরগা অদুম শান্নবা য়াওবজাৎনি। অদুনা শুমাং লীলাগী ফজবা মতিক ময়াইসু করিগুম্বদা হন্থরকপা য়াওদবা নত্তে। মদু থিংলুবদি ঙমদে। হৌজিকসু মদুগী মতৌ তৌরমখিগদ্রা হায়বা ঙমদ্রে। কোন্নথংদদি মীয়াম্না পাম্নখ্রবা শুমাং লীলাসি পাম্নরক্তবা য়াবগী অকিবা লৈতবা নত্তে। ফিল্ম ফোরমনা স্ক্রিনিং তৌদবা ম্যুজিক ভিদিও এলবম, মণিপুরী ফিল্ম অমত্তা রিলিজ তৌবা য়াদবগুম শুমাং লীলাগীসু কাঙবু খরনা অনীং-অনীংবা পংতৌদা তৌনবা লৈরবদি মদু থিংহৌনবা করিগুম্বা কাঙলোন অমা তঙাইফদনা শেম্বগী মথৌ তারক্লে হায়না খল্লি।

নীংশিং ৱারী মখা চথরকপদা ঐখোয় হোজাইদা লীলা শান্নবা চৎপদা, য়াম্না নুংঙাইবা অমসু থেংনৈ। হোজাই, নন্দগ্রামদি চরালিদুদা লৈবা ক্লব অমনা শিনবনি। লৌবুক্তা পাক চাউনা পেন্দল খল্লগা (মান্দবসি মখোয়রোমদা পেন্দল হায়) শান্নবনি। মী য়াম্না য়েংনবা য়ানবা অখন্ননা চ্যের ময়াম থাদুনা শেম্বনি। লীলাদু নুমিৎ তারকপদগী হৌনা মীনা কৃক-কৃক হেক ইন্নে। য়ামখ্রবা মীয়ামনি। ঐখোয়সু ঙকই। অদুক য়াম্না মী য়েংগনি হায়বা থাজরুদবনি। অসুক্কী মতিক য়ামখ্রে। লীলা শান্নফমগী অকোয়বদা হোটেল অনী-অহুম ফম্মী। অদুগা অতৈ পোৎ য়োনবা ময়াম অমসু লৈ, বেঙ্গলি, অসামিজ, মৈতৈ ইশু শুরে পোৎ য়োল্লিবদু। নোংঙাল্লগা হোটেল ফম্বা নুপা অমনা য়াম্না শাওই। ‘‘ঙসিদি পোৎ য়োল্লরোই হায়রকই। করিগীনো হংলুবদা, অতৈ লীলাগী কাঙবুদি লীলাদু থেংনা থেংনা হৌই। অদুগা মরক্তসু মী ময়াম থোরক্তুনা পোৎ য়াম্না লৈরৈ। ঙরাংদি, মী হেক চঙখিবদগী শুংথোক থোরক্তে। পোৎ অমত্তা শিত্তে। লীলাবুদি নুংঙাই হায়, অদুনা মী অমত্তা মরক্তা থোরক্তবনি’’। পূন্নমকশিং অসি মীয়ামদা থমজরিবগী মরমদি মণিপুরগী শুমাং লীলা হায়বসিগী তোপ তোপ্পা মশক অমা লৈজে। মীয়াম্বু খোনবা ঙম্বা, মীয়ামগী পূক্লিং পেলহনবা ঙম্বা মখলগী পর্ফোর্মেন্স অমা ওইবনা লীলা অমা তৌবগী ঈরাং-ঈহৌ অসি অসুক্কী মতিক কল্লম্মী হায়বা অসিনি। অদুবু হৌজিক্তি অদুক য়ৌনা শুমাং লীলাগী ময়াই অসি চেল্লিব্রা চেন্দ্রবরা, ময়েং খরা তাখ্রবরা হায়বদু হায়বা ঙমদ্রে। ●

# মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুংদা ওইরক্লিবা ফীভম - ১৬৫

**উসম ধনঞ্জয়**

**দিসেম্বর ২৮, ২০০৯ ইং :-** শকখঙদবশিংনা ফাজিনখিবা এয়রটেল ষ্টাফ অনীগী মনুংদা অমা কনখ্রবা মতুংদা ৱাৎহৌরিবা অমদুসু কন্ননবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দো অমসুং ৩৯শুবা অসাম রাইফলসকী কম্বাইন্দ টিমনা মপাউ থাঙ্গালগী এরিয়াদা লেপ্তুনা থিবা হুম্বগী থবক চথুরকপদা ঙসি নুমিদাংৱাইরম নাকল অনীদা খূৎ থোক্নবদা মীওই ২ শিরে অমসুং এয়রটেলগী ষ্টাফ অদুসু তেক্তা কায়দনা কনবা ঙমহৌরে হায়রি।

থা অসিগী ১৭তা শকখঙদবশিংনা শেলগী দিমান্দগা মরী লৈননা ফাজিনখিবা এয়রটেলগী ষ্টাফ অনী কন্নবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দো অমসুং অসাম রাইফলসকী কম্বাইন্দ টিম্না তাং ২৬তগী সদর হিলসকী মনুং চন্না লৈবা মপাউ থাঙ্গাল অমসুং সেকমাই পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা নূংপাক্তাবীগী এরিয়াদা লেপ্তুনা ওপরেসন চথুরকপদগী খাবম লমখায়দগী থোকচোম ওকেন্দ্রো (৩০) কৌবা ষ্টাফ অমা মখোয়বু ফাজিন্দুনা থল্লিবা শকখঙদবশিং অদুগী খূত্তগী নাম্থোক্তুনা চেল্লকখিবগা লোয়ননা ঙরাং নুংথিল পুং ১২.৩০ রোম তাবদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দো অমসুং ২৫শুবা অসাম রাইফলসকী অপূনবা খূৎপু অমনা কৈথেলমানবী এরিয়াদগী তেক্তা কায়দনা কনবা ঙমখ্রবনি।

ৱাৎহৌরিবা শিংজমৈ ভৈগ্যবতি লৈকায়দগী খাঙেম্বম জয়চন্দ্র (৪৪) সু কন্ননবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অমসুং ৩৯শুবা অসাম রাইফলসকী অপূনবা টিম অমনা ওপরেসন চথুরকপদা ঙসি নুমিদাং পুং ৬.৩০ রোম তাবদা মপাউ থাঙ্গালদা শকখঙদবা খূৎলায় পায়বা মীওই খরগা থেংনদুনা অকনবা মওংদা নোংমৈ কাপপ্নখি। নোংমৈ কাপ্নবা অদুদা মীওই অনী শিখি অমসুং মখোয়গী খূত্তগী খাঙেম্বম জয়চন্দ্রসু তেক্তা কায়দনা কনবা ঙমখি হায়না পুলিসকী পাউনা হায়রি।

শিরবা মীওই অনী অদুদগী এ কে ৫৬ রাইফল ১ অমসুং নাইন এম এমগী পিষ্টোল ১ ফংই হায়রি। থোকচোম ওকেন্দ্রো, এয়রটেল কম্পনিগী টৱার ইন্সটোল তৌবা ক্লিক কম্ম্যুনিকেসনগী ফিল্ড সেলস এগজিক্যুটিবনি। অদুগা খাঙেম্বম জয়চন্দ্রনা মেনেজরনি।

অতোপ্পা থৌদোক অমদনা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী পাৎশোই পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা হৈক্রুজম অমসুং খাইদেমগী লোন্নবদা লৈবা কেনেল অমদা শকখঙদবশিংনা মীওই অনী কাপ্তুনা হাৎলম্লে। মখোয় অদুদি ঙাঙোম ননাও এলিয়জ ইংলেন্দ (৩০) অপোকপগী মীং ইবোচৌ শিংজমৈ চীংঙামথক মণিপুর কোলেজ লম্বী অমসুং নুঙৌ মনিং লৈকায়দগী হৌজিক্লা শিংজমৈ মণিপুর কোলেজ লম্বীদা ভারাদা লৈবা লাইশ্রম চলাম্বা এলিয়জ জিতেন (২৬) অপোকপগী মীং বাবুধোননি।

অশিবা হকচাং অনী অদু ঙসি অয়ূক মনাক নকপদা লৈবা মীওইশিংনা থেংনরকপনি। ঙরাং নুমিদাং পুং ১১.৩০ রোম তাবদা কাপ্তুনা হাৎলম্বা ওইবা য়াই। হায়রিবা মতম অদুদা নোংমৈ কাপ্পগী মখোল খরা তানখি হায়রি। লৈখিদ্রবা অনীগী ইমুং মনুং অমসুং মরী মতাগী মীওইশিংনা ফোঙদোরকপা মতুংইন্না ঙাঙোম ননাও মণিপুর কোলেজ লম্বীদা দুকান ফমদুনা মৈতাল য়োনবনি অদুগা লাইশ্রম চলাম্বনা রিক্সো থৌবনি হায়রি।

মখোয় অনী ঙরাং নুংথিল পুং ২.৩০ রোম তাবদা কাইনেটিক হোন্দা অমদা মৈতালগী অমসুং গাড়ী শেম্বগী লুপা লিশীং ২০ পুরগা চৎখিবনি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোরকখি। পুলিসতগী ফংবা পাউনা হায়, লাইশ্রম চলাম্বগী থবাক্তা চে মচেৎ অমা থল্লমই। মদুদা ‘ইনফোর্মর ওইবগী হাৎপনি’ হায়না ইরমই। মখোয় অনীমক মখূৎ তুংবুন্নরমই।

নাকল অমরোমদা, ঙরাং নুমিদাং ইরিলবুং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা কালিকা চীংখোঙদা কম্বাইন্দ টিমগী খূত্তা লৈখিদবা মীওই অদুগী মশক মমিং খঙবা ঙমখ্রে। মমিংনা মুহম্মদ অরুশ (২৭) অপোকপগী মীং শৌকৎ কৌই। ক্বাক্তা তেরাখোংদগীনি। ইমুং মনুংদগী ফংবা পাউগী মতুংইন্না মহাক থা অসিগী ১৫দা লিলোং উশোয়পোকপীদা লৈবা মনেগী য়ূমদগী শকখঙদবা মীওই খরনা ফাখিবনি হায়রি।

মরকসিদা, ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দোনা ঙরাং নুংথিল পুং ৩.৩০ রোম তাবদা পৌরাবী হুইদ্রোমদগী প্রিপাক্কী কেদর অমা অমসুং ঙসি অয়ূক পুং ৮.১৫ রোম তাবদা লম্লোং বজারদগী কে সী পিগী মীওই অমা ফারে হায়না দিষ্ট্রিক্ট অসিগী এস পিগী চেরোল অমনা হায়রি। ফারবা প্রিপাক অদুগী মমিং নিঙোম্বম বিশোরজিৎ এলিয়জ থম্মোয়জাও এলিয়জ কেরি কিং (২৫) অপোকপগী মীং থৱান কৌই। পৌরাবী হুইদ্রোম ময়ায় লৈকায়দগীনি। চাইনিজ হেন্দ গ্রেনেদ অমা অমসুং নাইন এম এমগী কাপ্পা য়ারিবা মরূ ২গা কোন্ননা ফাবনি। কে সী পি অদুগী মমিংনা মোইরাংথেম সুনিল (৩০) অপোকপগী মীং দোলেন কৌই, শিংজমৈ চীংঙামথক্তগীনি হায়না চেরোল অসিনা হায়রি।

অমরোমদা, থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দোনা ঙরাং নুমিদাং পুং ১০ রোম তাবদা ৱাংজিং এরিয়াদা অচৎ-অওকশিং চ্যেক তৌবদা কে সী পি (এম সী) গী মীওই অমা ফারে। মমিংনা থৌনাওজম জোতিন এলিয়জ খাবা (২০) অপোকপগী মীং জিতেন কৌই। লমদিং চেরাপুর থৌনাওজম মমাঙ লৈকায়দগীনি হায়না দিষ্ট্রিক্ট অসিগী সিনিয়র এস পিগী চেরোল অমনা হায়রি।

**দিসেম্বর ২৮, ২০০৯ ইং :-** ঙরাং নুমিদাং পুং ৬.১৫ রোম তাবদা খোঙহাম্পাৎ অৱাং লৈকায়দা লৈবা লাইশ্রম নবকুমার কৌবা অমগী য়ূমদা শেলগী দিমান্দ তৌবা লাকপা মীওই খরা লৈকায়গী মীয়াম্না ফারগা সেকমাই পুলিসতা শিন্নখ্রে হায়না খোঙহাম্পাৎ য়ুথ ক্লব, খোঙহাম্পাৎকী চেরোল অমনা হায়রি। মখোয়শিং অদুদি থোঙাম কম্মান্দো (২১) অপোকপগী মীং বীরমনি হৈঙাং ময়ায় লৈকায়, নাওরেম রোমি এলিয়জ শ্যাম এলিয়জ নাওবী (২০) অপোকপগী মীং বিহারি হৈঙাং অৱাং লৈকায়নি হায়না চেরোল অসিনা হায়রি।

মীওই খরা নবকুমারগী য়ূমগী চেকপল কাদুনা চঙলক্লগা লালহৌবা শাদুনা লুপা লাখ ৫ পীনবা কন্না ধমকা তৌবদগী ইমুংগী মীওইশিংগা নীংঙাই শংদানরক্তুনা লাউবা খোঙবা তৌরকখি। মদুদগী লৈকায়গী মীয়াম্না চঙদুনা য়েংলুবদা মীওই খরা চেনখি অদুগা কম্মান্দো, রোমি অমসুং রাকেশনা ফাখি। মখোয়দগী য়ামহা ইন্তাইসর অমা অমসুং এক্টিভা অমা ফংখি হায়না চেরোল অসিনা মখা তানা হায়রি।

**দিসেম্বর ২৮, ২০০৯ ইং :-** ৱাইদ এঙ্গল, পিপলস ভিজিলেন্স কম্মিটি ওন হ্যুমেন রাইটস, বরানসি অমসুং রিহেবিলিটেসন এন্দ রিছর্স সেন্টর ফোর ভিক্টিমস ওফ টোর্চর, দেনমার্কনা পূন্না খূৎশম্নদুনা মীওৎ মীনৈ অমদি ওর্গনাইজ ভাইওলেন্সনা চৈথেং নংলবশিং ইকায় খুম্নবগী থৌরম অমা ঙসি য়াইস্কুলদা লৈবা মণিপুর দ্রামাটিক য়ুনিয়নগী হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনগী মেম্বর ওইরম্বা য়াম্বেম লাবনা চীফ গেষ্ট ওইখি। ইরোম চনু শর্মিলাগা লোয়ননা গ্বাংজু হ্যুমেন রাইটস এৱার্দ ফংমিন্নখিবা ডা. লেনিন রঘুবন্সিনা প্রসিদেন্ট ওইখি। হ্যুমেন রাইটস এক্টিভিষ্ট আর কে বোবিচান্দসু শরুক য়াখি।

চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা কম্মিসনগী মেম্বর ওইরম্বা য়াম্বেম লাবনা হায়খি, মালেমগী লৈবাক অমত্তা ভাইওলেন্স থোক্তনা লৈবা লমদম অমা ফাওবা লৈতে। অদুবু মণিপুরদা নোংমা কাংদনা থোক্লিবা থৌদোক ৱাথোকশিং অসিদি ময়ামগা অমত্তা মান্নদবা মওং অমদা থোক্তুনা লৈরি। অসিগুম্বা ফীভম অসি মীয়ামদি অৱাবগী চৈথেং মায়োক্নদুনা লৈরি।

ষ্টেট অমসুং নন ষ্টেট এক্টরশিংনা মীওৎ মীনৈ চথরকপা মতমদা অকিবা লৈতনা মীয়ামদা ফোঙদোকহন্নীংবগী অপাম্বা ৱাফম থম্বগা লোয়ননা মীওৎ মীনৈগী চৈথেং ফংলবা ইমুং মনুংশিংগী সোসাইটি অমসু শেমগৎহন্নীংবগী অপাম্বসু য়াম্বেম লাবনা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগী প্রসিদেন্ট ওইখিবা গ্বাংজু হ্যুমেন রাইটস এৱার্দি ডা. লেনিন রঘুবন্সিনা টোর্চর অমসুং ওর্গনাইজ ভাইওলেন্সকী চৈথেং ফংলবা মীওইশিংনা টেষ্টিমোনি তোয়না ফোঙদোক্তুনা চথরিবা মীওৎ মীনৈশিং অসি মীচম মীয়াম্না খঙলক্কনি। মীওৎ মীনৈ চথরিবা অসি মীয়াম অমত্তা ওইনা পূন্না খোল্লাউ লাউমিন্নরবদি থিংবা ঙমগনি হায়খি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা ভিক্টিম ওইরবা মীওইশিং অমসুং ইমুং মনুংদা অচম্বা খুদোল পীদুনা ইকায় খুম্নখি। লোয়ননা টোর্চর অমসুং ওর্গনাইজ ভাইওলেন্সনা চৈথেং ফংলবা মীওইশিংগী ওইবা টেষ্টিমোনিশিংসু পাঙথোকখি।

**দিসেম্বর ২৮, ২০০৯ ইং :-** চীং অমসুং তমদা লৈরিবা এদেদ সেকেন্দরি স্কুল অমসুং এদেদ ইলিমেন্টরি স্কুলশিংগী মীহুৎশিংগী ওইবা অপূনবা মীফম অমা ঙসি নমদুনলোং কম্ম্যুনিতি হোল ইম্ফালদা পাঙথোক্তুনা এদেদ স্কুলশিংগী ভেকেন্সি পোষ্টশিং হাপ্পদা লৈঙাক্লা অথিংবা থম্বগী মতাংদা য়াম্না কূপ্না খন্নখ্রে।

মীফম অদুদা কূপ্না খন্ন-নৈনরবা মতুংদা হৌজিক থল্লিবা অথিংবা অসি মতম চূপ্পগী ওইনা অথুবা মতমদা লৌথোকপীয়ু হায়না লৈঙাক্তা তক্লনবা মোত অমত্তা ওইনা ৱারেপ লৌখি। ●